থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থিঙ্ক-টেঙ্ক, ৱাখল পুক্কে, কান্নদবা কৈ অমা



মী খুদিংমক অমগা অমগা শক মান্নদবগুম, অমগা অমগা তৌবা ঙম্বগী মতিক-ময়াইসু খেন্নে। মপূং ফাবা মী অমগী গুন পূম্নমক শুনা চেনবা মী অমত্তা মালেমসিদা পোকখিদ্রি। হায়নৈ - নুপা ওইবগী গুন পূম্নমক শুনা চেনবা নুপা অমবু মপুরোইবা ওইনা ফংজগে হায়বা 'দ্রৌপদি' গী অপাম্বা অদু থুংহন্নবা, তাইবঙ মপুনা থোইদোক হেন্দোকপা গুন অমমমনা লৈতেংবা মপুরোইবা মঙা ফংহনখিবনি। অচুম্বা চৎপা - ধর্ম্ম লৈবা, মশা ফবা, মপাঙ্গল কনবা, লম্বা লৈতনা মহৈ হৈবা, চঙখোন্না ফজবা মশক মতৌ, তুংলমচৎ উবঙম্বা অদুগুম্বা নুপা অমা মপুরোইবা ওইনা ফংজগে - তাইবঙ মপুদা থৌনিখি। অমত্তদা পুল্লপ শুনা তিনবা নুপা লৈতে হায়বদু ৱারীসিনা তাক্লম্মী। হায়নবা লৈ - কৃষ্ণ কৌবা ক্যারেক্টর অসি 'মহামুনি বেদব্যাস'না খ্বাইদগী মপূং ফাবা মী অমগী গুন (শক্তি/মতিক ময়াই) পূম্নমক অদু মীশক অমদা পুল্লপ চেলহন্নবা শেমগৎখিবা ক্যারেক্টর অমনি। গুনশিং অদু য়াম্মনখিবনা মী ওইবা য়ারক্তদুনা ভগবান (লাই/ঈশ্বর) ওইনা থোকখিবনি। ঙসিসু, মী মরক্তা থোইদোক হেন্দোকপা অমা হেক থোক্লকপদা 'লাইপোক' নি হায়নরিবা অসিনি। ৱারীসিদগী ঐখোয়না খঙই - লাই হায়বসি মীওইবগী ৱাখলনা শেম্বনি, লাইনা মী শেম্বা নত্তে। পূমঙম ঙম্বা, পুমখঙ খঙবা, মফম খুদিংমক্তা মতম পূম্নমক্তা লৈবা, পোকপসু লৈতবা শিবসু নাইদবা মহাক অদুবুনি ঐখোয়না লাই (ঈশ্বর) কৌনরিবা। মী খুদিংমক্তা লাই ওইবা (লাইপোক) ঙম্নবা গুন অদু ইরোয়নজরকপনি। লুরিবদি, মশাদা চেল্লিবা গুন অদু কনানসু খঙজদে। পুন্সি চেঙজেল লোইরমদাই খঙজরক্কনি মশাবু। তকসি শোন্দুনা চৎখিনি - ঐনা অদু তৌজরম্লবদিকো! তাইবঙপান থাদোকখ্রবা মতুংদা হায়গনি - মহাক লাই ওইখরে।

থম্মোয় নিংঙাই অঙকপনি। মীকূপ খুদিং লেপনাইদনা খল্লিবা মীওইবগী ৱাখলনা থম্মোয়সিদা ইনশিল্লি - মানা নীংবা থবক অদু তৌনবা, মাগী মপাউ তম্নবা। ঙসিগী থম্মোয় পাউদমদি কনামত্তগী অখন্নবা মপাউ নত্তে - মীওইবগী মপাউনি। অমগা অমগা অমত্তসু মান্নদবা, ৱাখলসু মান্ননা খন্দবা - মাগীবু করি মপাউনো খনগত্তুনা তমদৌরিবা? করি মপাউ তম্মুগে - নোংমতসু হায়বীরকউ কৈদৌগে, মীওইবনি অদোমসু। অরায়বা নত্তে মীওইবগী থম্মোয় মপাউ পাউদম্বা।

মী ওইনা পোক্লিবা মীওইবা, মপূং ফানা লৌশিংবা - অমত্তসু য়াওদবনা হিংমিন্নরিবনি পূন্না খুন্নাই অমা শেমদুনা। পূন্না লৈমিন্নদ্রবদি হিংবা ঙমদবা মীওইবনি। অদোম্না থেংনরিবা কনাগুম্বা অমদো, নহা ওইরো অহল ওইরো, অদোম্না খঙদবা করিগুম্বা অমা মহাক্না খঙই, মহাক্না খঙদবা করিগুম্বা অমা অদোম্না খঙই হায়বসি খঙনরবা মতমদুদনি চান্নবা মরুপ ওইদৌরিবা। মগুন ইগুন খঙনরবা মতমদুদনি থাজনবা পোক্তৌরিবা। থাজনবা হায়বদুদা য়ূম্ফম ওইরগনি মীওইবগী মরী শেম্লিবা, খুন্নাইগী য়ূম্ফম থোল্লিবা।

হেক তাবগা খঙগনবা, হেক উবগা হৈগনবা - অনী অসি অমমমনি। মীৎতাঙবা অমগা খোঙতেকপা অমগা - থানবা য়াদবা মরুপ ওইনৈদনা! অনৌবা ৱাখলদি থোক্তবা তাক্লবদি তৌবা ঙম্বা খূৎশা হৈবা অমগা, তাবতদা খঙগনবা অনৌবা আইদিয়া পুথোকঙম্বা অমগা মপাং ওইনা থবক শূরবা, মায় পাকপৈ কৈরাক কারবনি মখোয় অনী। মীওইবগী অনৌবা মীরোল অসিগী চাওখৎপগী খূৎলায় (দিভলপমেন্ট মেছিন) অদুনি - ৱাখল অমদি থবক। ঙসিগী মীরোল অসিনা মদুবু কৌই 'থিঙ্ক টেঙ্ক' অমদি 'এক্ট টেঙ্ক'। থবক অমা পাঙবদা ৱাখল পুথোকপা কাঙবু অমা, ৱাখলদু থবক ওন্থোকপা কাঙবু অমা। থবক অমা মায় পাক্লবগীদমক ঙসিদি 'থিঙ্ক টেঙ্ক' য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা লৌনরে। লন্নাই মীওই (ইন্দিভিজুঅল) অমা নৎত্রগা অনী ওইবা য়াই নৎত্রগা ময়ামগী লূপ অমসু ওইবা য়াই, 'থিঙ্ক টেঙ্ক' - হীরম অমদা নীংথিনা থিজিন হুমজিন তৌরবা, মমুৎ তানা খঙলবা লৌশিং পুক্কে অমনি। অমেরিকা অমদি কানাদা'নচিংবা চাওখৎপা লৈবাকশিংদদি অসিগুম্বা মীওই অমদি লূপশিংনা মখোয়গী লৌশিং শীজিন্নখিবগী মমল ওইনা ফংলকপা শেনফম অদু 'টেক্স-ফ্রী' ওইহনবৈ নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট'না অখন্ননা শেল থাদদুনা 'থিঙ্ক টেঙ্ক' শেমগৎলি।

অসিগুম্বা থবক তৌবা মীওই নৎত্রগা লূপশিং ১৯শুবা চহী-চাদগী লৈনরম্লগসু, 'থিঙ্ক টেঙ্ক হায়না ঙসি শীজিন্নরিবা অসিগুম শীজিন্নবা হৌরকখিবদি কুনশুবা - চহী চাগী অনীশুবা তাঙ্কক (ফিফটিজগী মতম) অদুৱাইদগীনি। অরিবা মতমগী মীতৈ নিংথৌশিংনসু 'মাইবা-অচৌবা' (মাইচৌ) থম্নরম্লিবা 'থিঙ্ক টেঙ্ক' ওইননি। মখোয়গী মৱা তাদনা নিংথৌনা অচৌবা/মরুওইবা ৱারেপ অমত্তা লৌরমদে। অমেরিকানশিংনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা মখোয়গী লানগী লাল্লোং য়াৎপা কাঙবু অদুবু 'থিঙ্ক টেঙ্ক' হায়না খঙনরকই। য়ুরোপ, অমেরিকানচিংবা লৈবাক্তদি 'থিঙ্ক টেঙ্ক' হায়বসি লৈঙাক্লা শকখঙবা, অখন্নবা বোদি অমনি ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তনা অঙম অথৌ/মন্ত্রিশিংনা মরন্নাই থাজবা মী, মরী-মতা ময়ামদুনি। থিঙ্ক টেঙ্কসু মখোয়নি, এক্ট টেঙ্কসু মখোয়নি। মণিপুর য়ৌরক্লগনা প্রোব্লেম অসি লুবা খঙহেন হেল্লকই। য়ূম শাবা মিষ্ট্রিনা আর্কিটেক্টসু ওইবনি, থিকাদারদগী মন্ত্রি ফম কারকপা এক্সপার্ট অদুনা ইঞ্জিনিয়র মৱা লৌদবনি, শেলনা থোং ওইরগা মীখল-ঈপাক লাল্লকপা মন্ত্রি-মন্দল, মন্ত্রি-মকোক অদুনা ইরায় লায়না হেক্তা হায়বনি ... মণিপুরদি লাইরিক হৈবশিংনা মাঙহনবনি...।

মাগী ৱাসিসু লাল্লি করম হায়রুনি? লাইরিক্কী মঙাল ৱাৎপা, মীশিং য়াম্বা মীয়ামদুনা মীহুৎ ওইনা থাগৎলগা ওইরকপা কেবিনেট মিনিষ্টরনি। উমাইবীনা য়োংদা পাউতাক পীরুরগা মকোন থুগায়বীবগুম, অচুম্বা পাউতাক পীরুবদা অহৈপা শাই হায়দুনা নোংমৈনা কাপশিনবা ঙম্বা অঙম্বনি। নোংমৈনমক কাপত্রসু চীংনূংদুদা থারগা লাক্লবদি ঙম্মীদনা!

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ঐখোয়না মঙখিবা মঙ করিগী কাউরিবনো?

ঐখোয়না তূম্লিঙৈ মতমদা মঙখিবা মঙ, মীৎকপ থোক্লক্লবা মতমদা অয়াম্বনা কাউখি। মসি করিগীনো হায়বা ঐখোয়না থৌওইনা খঞ্জিল্লুদে। অদুবু হন্দক্তা নৌনা চথুখিবা রিছার্স অমদগী করিগী ঐখোয়না মঙখিবা মঙ কাউরিবনো হায়বগী মতাংদা নুংঙাইবা ৱাফম কয়া থোক্লক্লি। উচিদা চথুখিবা রিছার্স অদুনা করিগী অমদি মতৌ করম্না মঙখিবা মঙশিং কাউরিবনো হায়বা অদু খঙহনবা ঙম্বা ন্যুরোন গ্রুপ অমা থেংনখ্রে।

ঐখোয়না তূম্লিবা অসিগী তাঙ্কক মরি লৈ। অহানবগী তাঙ্কক অহুম অমদি নোন-রেপিদ আই মুভমেন্ট (নোন-আর ই এম) গী মনুং চল্লি। খ্বাইদগী অহানবা তাঙ্কক অসিদা ঐখোয়না তূমদনা লৈরম্বদগী তূমথরকপা অদুগী তাইনফম অদুনি, মসিদা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা ঐখোয় থবক থৌরমশিং তৌরম্বগী রিদম অদুদগী তূমবগী মায়কৈরোমদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লকপা তাঙ্কক্লি।

অনীশুবা তাঙ্কক অসিনা অহানবা তাঙ্কক অদু হেক লোইখিবগী নীংথিনা তুমথবা হৌরকপা মতম অদুনি। অদুগা অহুমশুবা তাঙ্কক অসিনা ইশি শিনা তূম্বা হায়নসু খঙনবা, য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ফংবা তাঙ্কক্লি। হয়েং হৌগৎলক্লবা মতমদা হকচাং তেকখৎপা ফাওরিবা অসি অহুমশুবা তাঙ্কক অসিদা মপুংঙ ফানা পোত্থাবা ফংখিবা অদুননি।

ইকোন কোনবগী তাঙ্কক অসিনা রেপিদ আই মুভমেন্ট (আর ই এম) হায়না খঙনৈ। তাঙ্কক অসিদনি ঐখোয়না মঙ অয়াম্বা মঙলিবা। মতাং অসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি ঐখোয়না মঙখ্রিবা মঙশিং অসি অয়াম্বনা কাউরিবা করিগীনো? ঐখোয়না মঙখিবা মঙশিং অদুগী মেমোরিশিং অদু করম্বা মতমদা মুৎখ্রিবনো? হায়বসিনি।

নৌনা পাঙথোকখিবা রিছার্স অসিনা তূম্বগী আর ই এম তাঙ্কক অসিদা 'এক্টিভ ফোর্গেটিং' (কাউবা) হায়বা তাঙ্কক অমসু য়াওই হায়না ফোঙদোক্লি। অনৌবা ষ্টদি অসিগী মতুংইন্না এক্টিভ ফোর্গেটিংগী তাঙ্কক অসিদা মঙশিংবু কাউহল্লিবা অসি ঐখোয়গী ব্রেনদা ইনফোর্মেসন কা হেন্না য়ামখৎলকপদগী কন্ননবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। কাউহনবগী থবক তৌরিবা ন্যুরোনশিং অসি ঐখোয়বু চাক লাম্বা ফাওহনবদা মতেং পাংলিবা ন্যুরোনশিং অদুমক্লি হায়রি।

হায়রিবা রিছার্স অসিগী ফাইন্দিংশিং অসি সাইন্স হায়রিবা জর্নেল অসিদা ফোঙদোকখিবনি। চথুখিবা রিছার্স অদু কেলিফোর্নিয়াগী মনলো পার্কতা লৈবা এস আর আই ইন্টর্নেসনল রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী সেন্টর ফোর ন্যুরোসাইন্সকী দিরেক্টর থোমাস কিল্ডফ, পি ঐচ দি অমদি জাপানগী নাগোয়া য়ুনিভর্সিটিগী পি ঐচ দি অকিহিরো য়ামানাকা অনীনা লমজিংদুনা পাঙথোকখিবনি।

কিল্ডফ অমদি য়ামানাকাগী টিম অদুনা মমাঙদা চথুখিবা ষ্টদিশিংনা নার্কোলেপ্সিদা তূম্ববু রেগ্যুলেট তৌবদা শরুক য়াবা হোর্মোন অমদা মীৎয়েং থমখি। অয়ুক নুংথিলগী মতমদা মতাং চাদনা তূম্নীংলকপা নৎত্রগনা উইনিংলকপগী থৌওং অদুবু নার্কোলেপ্সি কৌই। হোর্মোন অদুগী মমিং ওরেক্সিন/হাইপোক্রেটিন কৌই। হোর্মোন অসিবু পুথোকপা হিপোকাম্পসতা লৈবা ন্যুরোন অমা মাঙবনা মরম ওইরগা নার্কোরেপ্সিবু ট্রিগর তৌহনবা ওইগনি হায়না কিল্ডফ অমসুং য়ামাকানা উরম্মি।

অনৌবা ষ্টদি অসিগীদমক রিছার্সরশিং অদুনা হিপ্পোকাম্পসকী অকোয়বদা লৈবা ন্যুরোন গ্রুপ অমা এগজামিন তৌনবা শেম শাখি। হায়রিবা ন্যুরোনশিং অসিনা মেলানিন-কন্সেন্ট্রেটিং হোর্মোন (এম সি ঐচ) কৌবা তূম্বা অমদি অরাম খৌরাংববু রেগ্যুলেট তৌবদা মতেং পাংবা মোলিক্যুল অমা পুথোকই।

হায়রিবা এম সি ঐচ অসিবু পুথোক্লিবা ন্যুরোনশিং অসি আর ই এম হায়রিবা তূম্বগী তাঙ্কক্তা এক্টিব ওই হায়বা অসি সাইন্টিষ্টশিং অদুনা মমাঙগী রিছার্সতগী খঙখ্রবনি। অদুবু উচিশিংগী তূম্বগী রেকোর্দিংশিং অমদি ন্যুরোনেল ট্রেসিংগী এক্সপরিমেন্টশিংদগী অসিগুম্বা ন্যুরোনশিংনা হিপ্পোকাম্পসতা থিংজিনবা হায়বদি ইনহিবিটরি মেসেজশিং থায় হায়বসি খঙবা ঙমখি।

হিপ্পোকাম্পস অসিদি মহৈ তম্বা অমসুং নীংশিংবগী মফম ওইবনা অসিগুম্বা ন্যুরোনশিং অসিনা নীংশিংবা ঙমহনবদা মথৌ তৌরমগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজরি।

কিল্ডফনা হায়খি, এম সি ঐচ সেলশিং অসি আর ই এম হায়রিবা তূম্বগী তাঙ্কক অসিদা এক্টিব ওইদুনা লৈ হায়বসি অতৈ লেবশিংদা চথুখিবা মমাঙগী ষ্টদিশিংদগী খঙখ্রবনি। নৌনা সার্কুইট থেংনরিবা অসিনা ব্রেনদা মেমোরিশিং ষ্টোর তৌবদা মতেং পাংলগনি হায়না খনখি।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা উচিদা জিনেটিক এপ্লেসন শীজিন্নখি। ন্যুরোনশিং অসিবু স্বিচ ওফ তৌশিন্দুনা থম্বনা উচিশিং অদুগী নীংশিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল ফগৎহল্লকপা থেংনখি।

রিছার্সরশিং অদুনা ষ্টেন্দর্দ মেমোরি টেষ্টশিং শীজিন্নদুনা উচিশিং অদুগী অনৌবা ইনফোর্মেসন লৌশিনবা ঙম্বগী চাং এগজামিন তৌরম্মী। মখোয়না মেমোরি রিটেনসনগী ফেজ অদুবু টেষ্ট তৌরম্মী, ফেজ অসি অনৌবা ইনফোর্মেসন অমা হেক খঙবগা, লোং টার্ম মেমোরিদদি হাপচীন্দ্রিঙৈগী তাঙ্ককতা লৈ। মেমোরি রিটেন্সন ফেজ অসিদা এম সি ঐচ পুথোকপা ন্যুরোনশিং অদু স্বিচ ওফ তৌবগা লোয়ননা উচিশিং অদুগী মনম নম্বগী টেষ্টতা পার্ফোমেন্স হেন্না ফজরকখি।

আর ই এমগী মতমদা এম সি ঐচ পুথোকপা ন্যুরোনশিং থিংজিল্লগনা হেন্না উচিশিংদু মথৌ ফজনা তৌবা থেংনখি। অতোপ্পা তূম্বগী তাঙ্ককশিং অমদি তূমদনা লৈবা মতমশিংদদি হায়রিবা ন্যুরোনশিংসি থিংবনা উচিশিংগী মেমোরিদা করিসু হোংহনবা ঙমখিদে।

ন্যুরোন কাংলুপ খরা আর ই এমগী তাঙ্কক্তা মথৌ তৌবা নৎত্রগা তৌদবনা ব্রেনদা অনৌবা ইনফোর্মেসনশিং ফজনা তূম্লবা মতুংদা নীংশিংবা নৎত্রগা নীংশিংদবা হায়বদু লেপ্পা ঙম্মী হায়বসি রিজল্টশিংনা তাক্লি হায়না কিল্ডফনা হায়খি।

এম সি ঐচ ন্যুরোনশিংনা ব্রেননা অনৌবা অমদি কান্নদবা ইনফোর্মেসনশিং কাউহনবদা মতেং পাংই হায়বসি রিজল্টশিংসিদগী খঙবা ঙম্মী। মঙ মঙবগী থবকসি এম সি ঐচ সেলশিংনা মথৌ তৌরকপা আর ই এম স্লিপ হায়রিবা তূম্বগী তাঙ্কক অসিদা থোকপা মরম্না অসিগুম্বা সেলশিং এক্টিভেট তৌবদগী মঙ অসি হিপ্পোকম্পসতা তুংশিনবদগী ঙাকথোকপনা মঙশিংবু থুনা কাউথোকহল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# লিলোংদা রাষ্ট্রিয়া পোষান মাহগী সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা লিলোংদা লৈরিবা আই সী দি এস প্রোজেক্টনা শীন্দুনা ঙসি রাষ্ট্রিয়া পোষান মাহগী মখাদা মীয়ামগী সাইকল রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদগী হৌখিবা সাইকল রেল্লি অদু আই সী দি এস প্রোজেক্ট অসিগী ওফিসতগী লমথারগা লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল ফাওবা চৎখি হায়রি।

লিলোংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা নুপী ১০০০ হেনবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অসিদা প্রোজেক্ট অসিগী সী দি পি ও অমসুং সুপরভাইজর য়াওনা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংসু শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, আই সী দি এস প্রোজেক্ট, লিলোংনা থা অসিগী ১ দগী হৌরদুনা রাষ্ট্রিয়া পোষান মাহগী মখাদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোরকখিবনি।

# বিসন প্রোগী প্রদক্ট লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): বিসন প্রোগী প্রদক্টশিং, ৱাটর ফিল্টর, এল ঈ দি ব্লব, এল ঈ দি টি ভি, ইন্দক্সন, ৱাটশিং মেছিননচিংবশিং লম্ফেল সনা কৈথেলদা লৈবা বিসন প্রোগী ওফিসতা লোঞ্চ তৌখ্রে।

বিসন প্রো প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর এন তোম্বীসনানা ফোঙদোকখিবদা, নিংঙোল চাক্লৌবা নংনবা অনৌ-অনৌবা পুথোক্লবা হোৎনরি। গ্যাস ষ্টোপসু পুথোক্লি। মপান্দগী মচাক লৌজরবসু মণিপুরদা শেমগৎতুনা পুথোকপনি। মণিপুর মেদ ওইনা পুথোকপা পোৎলমশিংনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট কয়াদসু য়োন্নবা হোৎনগনি। কুমজা ২০১৭ গী ওক্টোবরদগী থবক হৌরকপনি। কনাগুম্বা কম্পেনি অমত্তদা অয়াবা পীদনা ঐখোয়গী বিসন প্রো শীজিন্নবা থেংনরে। ঐখোয়না টাইট অপ তৌবগী অয়াবা পীখিবসু লৈখি হায়খি।

# মৈতৈ/মীতৈশিংগী ইথনোগ্রাফিগী মতাংদা সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবস/লাইব্রেরীগী হোলদা মৈতৈ/মীতৈশিংগী ইথনোগ্রাফিগী মতাংদা নেসনল সেমিনার অমা চহী অসিগী ওক্টোবর ১২ অমসুং ১৩ দা পাঙথোক্লগনি হায়না এস আর ইনষ্টিট্যুট ওফ মণিপুর ষ্টদিজগী দিরেক্টর সাপম ভৈগ্যনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেমিনার অসিদা মৈতৈ লোল/মীতৈ লোলগী পুৱারী হায়বা হিরমদা ডা. তোইজম তম্ফানা চে পাথোক্কনি। মৈতৈশিংনা শীজিন্নরম্বা লী, ৱাগী থুমোক তাইরুক অমসুং অতৈ পোৎলমশিং হায়বা হিরমদা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ডা. লাইশ্রম সাধনা ৱা ঙাংগনি। মৈতৈশিংগী চাক-এঞ্জাং থোংবগী মওং অমসুং চীঞ্জাক হায়বা হিরমদা ডা. রত্না মুতুম, মৈতৈশিংগী লৌউ-শিংউগী মওং অমসুং শীজিন্নরম্বা খুৎশু-খুৎলায় হায়বা হিরমদা কাউ, ইরোইশেম্বগী ধিরেন, মৈতৈশিংনা য়ুমদা লোইরম্বা শা-ঙাশিং হায়বা হিরমদা মণিপুর কোলেজগী থোংবম নঞ্জেস, মৈতৈশিংগী পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরমশিং অমসুং শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং হায়বা হিরমদা নম্বোল এল সানোই কোলেজগী সী ঐচ রাগিনীনা ৱা ঙাংগনি। মণিপুরগী অরিবা ময়েক হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপা হায়বা হিরমদা জি পি কোলেজগী ডা, ৱাইখোম রোমেশনা চে পাথোক্কনি। মৈতৈশিংগী অরিবা মশান্নাশিং হায়বা হিরমদা এম য়ুগী এন বিরমলানা অদুগা অকক্লবা নুমীৎ থবানদা পাঙথোকপা মৈতৈশিংগী হরাও-কুম্মৌশিং হায়বা হিরমদা রেনুবালানা চে পাগানি হায়রি।

# লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): জননেতা ইরাবত নীংশিং লূপ ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি ইরাবত পার্ক ককচিং কৈথেলদা লময়ানবা ইরাবতকী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী প্রসিদেন্ট পি শম্ফা, য়ুনাইটেদ ওর্গনাইজেসন ককচিংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ মঙ্গি, অদামগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন রাজমোহোন, ইমেজ টি ভিগী এদিটর উত্তম কুমার নাওরেম, সিভিল জজ সিনিয়র সিভিজন ইম্ফাল ইষ্ট ৱাই সোমোরজিৎ, লময়ানবা ইরাবত নীংশিং লূপ ককচিংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সুরজিৎনা থৌরম মপুশিং ওইনা ফমখি।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার, দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. টিব্রজকুমার, ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিঙ্কু খুমুকচম, মহুদকী হান্নগী দিরেক্টর গিটকুমার নেপ্রম, ব্লুমিং মণিপুরগী এলাংবম তোম্বনা থোইদোকপা মীথুংশিং ওইখি। পেনা য়াকাইরোল শক্তুনা থৌরম অদু হৌদোক্লবা তুংদা লময়ানবা ইরাবত অমদি ককচিং লমদমগী লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মিসন ক্লিন গ্রীন এন্দ হেল্দি ককচিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া মিসন দিরেক্টর সুরজিৎনা থমখি অমদি মিসন অদু লোঞ্চ তৌখি। ক্লিন গ্রীন এন্দ হেল্দি ককচিং লোঞ্চ তৌরবা তুংদা ভলন্টিয়রশিংবু সিভিল জজ সিনিয়র দিভিজন ইম্ফাল ইষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা ৱাশক লৌখি। মিসন অসি মায় পাক্ল। পাঙথোক্লবা ৱাশক লৌমিন্নখি।

থৌরমদুদা লময়ানবা ইরাবতপু হন্না য়েংবা, পাউমী অমগী মীৎয়েং হায়বগী মতাংদা ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিঙ্কু খুমুকচমনা হায়, লময়ানবা ইরাবত অসি মীয়াম্না অহানবদা সী পি আইগীনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা খন্নে। হৌজিক্তি লময়ানবা ইরাবত অসি মীয়ামগীনি হায়বা খঙনরক্লে। লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং থৌরম অসি সী পি আইনা পাঙথোক্তুনা লাকপনা সী পি আইগী অচৌবা হেৎনজমলনা খঙনরকপনি। মসিগী ক্রেদিট অসি সী পি আইদা পীফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লময়ানবা ইরাবতকী অশেংবা পুন্সিগী ৱারী ঙসি ফাওবা কনাগুম্বা অমত্তনা মপুং ফানা ইদুনা থম্লমদ্রি। মাগী মাগী থেংনবা, তারুবা খরদু নত্তনা তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়না ইরাবত কনানো হায়বগী মতাংদা থিজিন্দুনা থম্লম্বা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা অহানবা ক্ষেত্রিময়ুম ইরাবত মেমোরিএল এৱার্দ ফোর ক্লিন গ্রীন এন্দ হেল্দি ককচিং ২০১৯ ৱার্দ নম্বর ৮ কে এম সী অমসুং আইদিএল পাইওনর ক্লব ককচিং নিংথৌ লৈকায়দা লান্থোকখি। জ গোয়-ঈশৈনচিংবা কয়াসু উৎখ।

অমরোমদা, লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম নরাকোঞ্জিন স্পোর্টস ক্লব অমদি হৈবোক নুপী সমাজ কনবা লূপ মৈরা পায়বী নরাকোঞ্জিন মখা লৈকায় অনীনা খুৎশম্নদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস কিশননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নরাকোঞ্জিন মখা লৈকায় (লাই হরাওবুং কম্যুনিটি হোল) দা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ক্লবকী এদভাইজর টি ঐচ নরাহরি, টি ঐচ নবা অমদি ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ গোপেশ্বর মৈতৈ, মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ অহনবীনচিংবনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। মখা তারকপদা শৈরেং থিবা অমদি মহাক্কী মরমদা ঈশৈ চাংদম্নবা কয়াসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মীতৈ সোসাইটি চুড়াচান্দপুগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে ইনাওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লময়ানবা হিজম ইরাবতনা থবক ওইনা পাঙথোকপা পামজরম্বা, মণিপুর খুন্নাই অসিগী খঞ্জরম্বা কয়াবু নীংশিংদুনা লীশাং শিৎনা মহাক্কী কুমওনশিং লাকপদা মীতৈ সোসাইটি চুড়াচান্দপুরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীয়াম পুন্না খুন্নাইগীদমক শীংথাবা য়ারবা থবক তৌরমশিং তৌদুনা লাক্লি।

চহী অসিগী ওইনসু ১২৩ শুবা কুমওন পালনগা মরী লৈননা মীতৈ সোসাইটিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা টাউন অসিগী মরুওইবা বজার ওল্ড অমদি ন্যু মার্কেট কমপ্লেক্স য়াওনা শাংলবা টাউন এরিয়াগী লম্বীশিং লূ-নানবগী পান্দমদা শিৎ-শেংখি। মীতৈ লৈকায় ১৫ গী নুপা-নুপী ভলন্টিয়র কয়ানা শরুক য়াখিবগী মথক্তা ইমা লৈমরেল অপূনবা লূপ, মীতৈ য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমদি য়ুথ ক্লব কয়াগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

ও সী সীসী পুরনা লুচিংদুনা পুলিস পর্সনেলশিং, লাইট হাউসকী পোষ্ট বি এস এফ পর্সনেলশিংসু শরুক য়াখি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল সীসী পুরগী মায়কৈদগী সেনিটরি ট্রক অমা থাবীরকপগা লোয়ননা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা কামুয়ানলাল মশামক লাকপীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীখি। মসিগীদমক পাওখানলিয়াল, চ্যেরমেন এ দি সী, চুড়াচান্দপুরবুসু থাগৎলি। থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ৭ তগী ভলন্টিয়র ২৫০ হেনবনা শিৎ-শেংবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখি। শরুক য়াখিবা খুদিংমকপু মীতৈ সোসাইটিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, অগরতলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মতেং লৌরগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরানা ১২৩ শুবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। কুমজা ২০১৯ দা মেট্রিক এগজামদা অহানবা পোজিসনদা পাস তৌখিবা ত্রিপুরাগী মণিপুরী অমসুং মণিপুরী মুস্লিম মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরমসু পাঙথোকখি। ঙসি অয়ুক দালেশ্বর কল্যানিদা খিনবা লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা হৈরাং লৈরাং কৎখি। থৌরমদুদা অগরতলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়রনা চীফ গেষ্ট ওইখি।

অমরোমদা, ত্রিপুরাগী ইমা-ইবেলশিংগী অমত্তা ঙাইরবা লূপ তখেল লৈমা তেংবাং লূপ ত্রিপুরানা শীন্দুনা লময়ানবা ইরাবতকী মপোক নুমীৎ থৌরম ত্রিপুরাগী মৈতৈ খুল তারৌদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট রাধিকানা থৌরম মপু ওইখি। ভাইস প্রসিদেন্ট প্রজাপতিনা অথোইবা মীথুং ওইখি হায়রি।



HL-B/5679/1-30sept (alt.)-1-5oct.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।১০।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৩নি পানবা।


মেষ : লন ময়েং তাবা অমদি ইমুং-মনুংদা পূক্নিং ৱাখল তিন্নদবা লৈগনি। অদুবু মরুপ-মপাংগী মতেংদগী কান্নগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা থোইনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।


বৃষ : য়েক্লবা হন্থে, হকচাং নুংঙাই অমদি মী অয়াম্বনা য়াবা নুমিৎনি। অনম তান্না অনীংবদুখক পাংনবা চৎলদি নঙগী ওইবা মী মাঙজগনি, শাউবসু ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


মিথুন : নচাক-নরল চেকশিল্লু অমদি হোয়া ফগনু নত্রবদি মতম মাঙবতা নত্তনা মীচং মাঙগনি।ঙাঙথোকপদদি রাশি য়াওগনি অমদি থবক্কী পোরম য়াৎপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনদবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


কর্কট : লৌশিং চাউবনা মীয়ামবু লাকশিনবা ঙমগনি, অঙম্বগী মতেং ফংগনি অমদি য়েৎনবা মরমদা য়াইফগদবা উবা ফংগনি। চিন য়াঙবনা চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।


সিংহ : মায় পাক্কনি, নীংবসু থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দাং চাউনা ফংগদবা নুমিৎনি। অদুবু মী খৎনবা অমদি কাইনবা নংবা য়াবা লৈ-তপথবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


কন্যা : শাউনীংবা পেন্দবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা নুমিৎনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়ারোই অমদি নক্লবনা লৌথোক চাথোকনীংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


তুলা : ঙসিসু হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি। অনীংবা অফবা থবক্তা চিংনদনা খুৎচাউ থাবা য়াগনি। মীয়াম্না চানগনি। অশাওবনদি মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


বৃশ্চিক : থেংলপ্পা ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা অমদি শেল ফংবা লৈগনি। মীতোপ থাজগনু, য়েৎনগদবা মরমদা চংলুনু অমদি ওজা-গুরুগী পাউতাক লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


ধনু : শেল-থুমগী থবক্তা চাউনা কান্নগনি । মীকোক থোংউ হায়বা লৈ অদুনা অফবা মরম ওইরদি হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবা য়াগনি, থৌনা ফুদোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


মকর : থবক পাংগনি, মরুপ-মপাং ফংগনি, শেল-থুম পল্লরোই-মতম মাঙহন্দনা তানশিনহৌবা য়াগনি। অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাই। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


কুম্বা : য়েক্লবনা মীপাইবা নংহনবা য়াবা লৈ অদুনা চরাংগনু। লৌশিং খরা ৱাৎপা নুমিৎ ওইবনা তৌফম খঙদবা অমদি চান্নবা কাইনবা য়াবা, পূক্নিং পেনদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


মিন : অয়াম্বা থবক্তা কান্নবা ৱাৎলি -অদুনা অরুবা থৌরম পাংগনু অমদি অনম তানবা তৌগনু। নোল্লুক্লা অমদি মীনা য়ানবা চৎপনা পূম্নমক্তগী য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাংবনা য়েংথিনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।